## নীট-য়ু জি, ২০২২দা অহৈবম...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর পূর্বগী ওইনা টোপ্পর ওইরক্লে হায়রি।

নীট-য়ু জিগী এগজাম অসিগী অপূনবা মার্ক ৭২০গী মনুংদা মহাক্না মার্ক ৬৩৩ ফংবগা লোয়ননা ওল ইন্দিয়াগী কাউন্সেল্লিংগী রেঙ্কতা ২৩৭২ শুবদা লৈরক্লে হায়রি। মহাক মমাঙ চহী ২০২১দা কোমেট স্কুলদগী ক্লাস ত্বেলভ সাইন্স পাস তৌরক্লবা মতুংদা হায়রিবা এগজামিনেসন অসি শরুক য়াখিবনি অদুবু মায় পাক্লক্তবদগী অনীরকশুবা ওইনা হন্দক শরুক য়াবদা মণিপুরগী ওইনা টোপ্পর ওইরকখিবনি হায়রি।

ক্লাস টেনদনা মহাক য়ুনিভর্সিএল ষ্টুদেন্টস একাদেমিদগী অপূনবা মার্ককী চাদা ৮২ ফংবগা লোয়ননা সবজেক্ট ৪দা লেট্টর মার্ক য়ৌনা ফংদুনা পাস তৌরকখিবনি। হৌজিক নীট-য়ু জি, ২০২২ মায় পাক্লক্লবনিনা মহাক এম বি বি এস তম্লবা মতুংদা পোষ্ট গ্রেজুএট কোর্সতা ওনকোলোজিষ্ট অমা ওইনা মেদিকেল লাইনদা মখা তানা তমথবা পাম্লি হায়না ফোঙদোরকখি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৮.০১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.২৩°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৫

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.338550 |
| US Dollar | 79.772754 |
| British Pound | 91.494766 |
| Australian Dollar | 53.611757 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.463003 |
| Japanese Yen | 0.552553 |
| Malaysian Ringgit | 17.724055 |
| Singapore Dollar | 56.656250 |
| South Korean Won | 0.057509 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.272734 |
| Thai Baht | 2.185268 |

### GAS NEWS

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-06-09-2022,**
VALID FROM 01-09-2022,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862634903
8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UP TO DATE**
**STOCK-306**
VALID FROM AUGUST 2022.
FOR HOME DELIVERY CALL.
MOBILE NOS. 9233024802/ 7642003048/ 9366597565/ 9089766365 OFFICE NO. 9089161416
CONT. TIME. 7-30 am 11-30am

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 05/09/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 17-08-22**
Only home delivery within 4 days
Office no.9774068549
Whatsapp no.9366981788
Time 7.30am to 10.30am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (8798905834)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 24/08/2022**
Valid from 07/08/2022

# ৫০শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল : নুপা লীলাগী ৫শুবা নুমীৎতা চুমথাং ক্রিএটিভ আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘শঙ্গোম গ্লাস অমা’ উৎখ্রে

**নোমিতা খোংবান্তাবম**



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, ২০২১-২২গী নুপা লীলা কাঙলূপকী অথোই অহেন তান্নবগী ৫নিশুবা নুমিৎতা চুমথাং ক্রিএটিভ আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘শঙ্গোম গ্লাস অমা’ উৎখ্রে।

লীলা অসি ৱাই জোগেন্দ্রোনা ইরগা দিজাইন অমসুং লমজিং লমতাকপনা জে বি শর্ম্মনি। ঈশৈ ময়েক্তা ৱাংখেম রঞ্জিৎকুমার অমসুং দেবচান্দ খুমননি। অদুগা ম্যুজিক দিরেক্সনদা জি তোনি অমসুং টি ঐচ গ্যানেন্দ্রোনি।

শঙ্গোম গ্লাস অমা হায়রিবা প্লে অসিগী ৱারী অসি লুখ্রাবী অমগী মচানুপা অনীগী মনুংদা অমনা ডাক্টর ওইরগা অমনা পুলিস ওইবনি। মচানুপা অহলনা ডাক্টর ওইবী মৈতৈ পাঙল নুপী অমা লৌরকপগা লোয়ননা মচানুপা পুলিস ওইবদুনা নর্স ওইবী চীংমী নিংঙোল অমা লৌরকখিবনি।

চিকোন নাওকোনবী মনেমবোক্লা মমৌশিংগী মখূৎ চাদ্রবসু য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈরকই। অদুবু পাঙল নুপীনা মৈতৈদা ময়ূম পাল্লি হায়বগী নুংনাংবা পোকচবা অমসুং মশাগী ওইবা ফংহৌদে হায়বগী কল্লক মীহৌবা দ্রগ লল্লোনবদগী শেনয়াম পায়বা শাবা অবদুলনা রেসমাবু নোংমতং ওইরবসু মাগী নুপী ওইগনি হায়বগী ৱাখলদা শেন্নদুনা লাকখি। অচেংবা তাঞ্জা ঙাইদুনা শেন্নরকপনা রেসমানা হোস্পিটালদগী হল্লকপদা ফাদুনা পুরক্লগা নমজা নমথেক্লনবা হোৎনরকপদা মনাওনুপা পুলিসনা কনখি। পাঙল নিংঙোল ওইনা লৌরম্বা রেসমাবু পাঙলনা য়োকপা মৈতৈ নিংঙোল ওইরম্বদগী মমৈথংদা মনেমবোক্লা মখূৎ চাখিবা ৱারী উৎলি। অদুগা পাঙল, মৈতৈ, হাও হায়বা খায়দোক্তনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা হোৎনবশিং উৎপা লীলানি। চীং তম মচিন মনাওনি হায়বগী ৱারীবু নীংশিংহনবগা লোয়ননা চারৌ মৌরৌনবা কয়ানা নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা লীলানি।

নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা য়াইমগী শক্তমদা জি বি শর্ম্মা, নিংথেমদা প্রেমকুমার, অবদুলদা সোতিন, সোমিদা তাইবংঙানবা, সনাহলদা বুংঙোবী, সনাতোম্বদা বোবো, রাহুলদা নিকি থৌদামনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা তম্ফাসনাদা বুধ লৌরেম্বম, রেসমাদা দেবচান্দ খুমন, রোজিদা সর্জু শগোলশেম অমসুং ফতিমাদা সনধ্যানি। অকে অমৌগী শকশেমদা পাথৌ অমোমচা, টবলাদা জি তোনি, কি বোর্দতা টি ঐচ গ্যানেন্দ্রো, গিটরদা সান্ত লাইখুরম, পেদ দ্রম অমসুং বাঁসিদা বোসনি। হয়েং তরুকনি চনবা নুমিৎতা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘চেথোই’ উৎকনি।

## এম বি বি এস/বি দি এস/বি এ এস এল পিগী এপ্লিকেসন ফোর্ম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না নীট-য়ু জি, ২০২২দা ক্বালিফাই অমসুং ইল্লিজিবল ওইরবা মণিপুরগী কেন্দিদেটশিংগী এম বি বি এস/বি দি এস/বি এ এস এল পি কোর্স, ২০২২গী সিলেক্সন অমসুং নোমিনেসনগীদমক কাউন্সেল্লিংগী ফোর্ম হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ১৪ ফাওবা পীরগনি হায়রি।

ফোর্ম অসি জেনরেল অমসুং ও বি সীগীনা লুপা লিশীং ২ অমসুং এস টি/এস সীগীনা লুপা ১৫০০ পীরগা লৌবা য়াগনি। মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ২১ ওইরগা একনোলেজ মেন্ট কার্দনা থা অসিগী ২৬তগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীগনি অদুগা এপ্লাই তৌরকপা কেন্দিদেটশিংগী মেরিট লিষ্টনা থা অসিগী ২৮দা লাউথোক্কনি হায়রি।

অদুম ওইনমক জেনিমসকী ম্যেন ওদিটোরিয়মদা কাউন্সেল্লিং পাঙথোক্কদবা ওইরবসু মসিগী নুমিৎতি কোন্না লাউথোরক্কনি হায়রি।

## কোওপরেসন মিনিষ্টরশিংগী নেসনল ...

*লামায় ১গী মখা...* মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবদসু মতেং পাংলি হায়খি। তশেংনমক মণিপুরগী খুঙ্গংগী মীয়ামগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা কোওপরেটিভ সোসাইটি লিশীং ১২গী মথক্তা লৈরে হায়বা ৱাফমসু কনফরেন্স অসিদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিট কোওপরেটিভ সোসাইটিশিংগী ফীভম শোন্না লৈরিবা অসিগীদমক য়েংলদুনা মল্টি দাইমেন্সনেল ওইবা প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিট কোওপরেটিভ সোসাইটিশিং ওইহন্নবগীদমক মোদেল বাই লোশিং চৎনহন্নবা খন্নরগনি হায়খি।

মণিপুরদা পঞ্চায়ট খুদিংমক্তা থবক ফজনা পাঙথোকপা প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিট কোওপরেটিভ সোসাইটি নৎত্রগা দাইরি নৎত্রগনা ফিসরি কোওপরেটিভ সোসাইটিশিং লৈহনবা পাম্বগী ৱাফম ফোঙদোকখি। লোয়ননা সহাকর-সে সমরিধি অমব্রেলা স্কিমগী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ কোওপরেসনগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা তেংবাঙশিংগী তঙাইফদবা লৈরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। কনফরেন্স অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী কোওপরেটিভ সোসাইটিগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, নেসনল কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ানবগীদমক দেল্লীদা লৈরিবা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ঙরাং য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি) প্রহ্লাদ সিংহ পটেলগসু য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর অসিগী য়ুমদা উন্নখিবনি। অদুগা মণিপুরগী মতিক ময়াই লৈরবা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং অমসুং মরূ-মরাং কয়া হৌজিক্তি মালেমগী কৈথেল কয়াদা মীয়াম্না পাম্নরক্লবনি হায়বা ৱাফমসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখিবনি। লোয়ননা মণিপুরদা ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপীনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবনি।

উন্নবা অদুদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা মণিপুরদা ফুদ ইন্দষ্ট্রিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবগী চীফ মিনিষ্টরনা পীবা প্রপোজেল অমসু খূৎশিন্নখি।

## বেবিসনাগী কেস : সী বি আইনা দি এন এ ...

*লামায় ১গী মখা...* অহানবগী দি এন এ টেষ্ট পাঙথোক্লবগীদমক সেম্পলশিং লৌখিবা অদু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা পীবা ওর্দরগী মতুংইন্ননি। অদুগা ঙসি রিমসকী ফোরেন্সিক মেদিসিন দিপার্টমেন্টদা দি এন এ টেষ্টকীদমক অমুক হন্না সেম্পলশিং লৌখিবা অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীবা দিরেক্সনগী মতুংইন্ননি।

ঙসি অমুক হন্না টেষ্ট অসিগীদমক সেম্পলশিং কলেক্সন তৌখিবা মীওইশিংগী মনুংদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালসু ওইরম্বা ফাউন্দর ফেরোইজম লনধোনি, মহাক্কী মচানুপী করাম ওংবী রোমিতা, মচানুপা ফেরোইজম রোবিনসন, স্কুল অসিগী হোষ্টেলগী ৱার্দেনশিং ওইখিবীনি হায়বা জিনকি, কামৈ ইলিন অমসুং লৈখিদ্রবী বেবিসনাগী অপোকপা নিংথৌজম তোমচৌ অমসুং মহাক্কী অপোকপী মমা কে ঐচ প্রেমিতানি।

অহানবা লৌখিবা সেম্পলশিং অদুগী রিপোর্ট অসামগী সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদগী ফংলবা মতুংদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈননা হায় কোর্টতা চথরক্লিবা কেস অমগী ৱায়েলগীদমক মমাঙ থাগী ১দা রেকোর্দশিং কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখ্রবনি অদুবু হায় কোর্টকী মায়কৈদগী পাঙথোকখ্রিবা সেম্পল লৌবগী থবক য়াওনা মরী লৈনবশিং অদু সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না চপ চানা পাঙথোকখিদে হায়বা ৱাফম থোরকপদগী অমুক হন্না দি এন এ টেষ্ট তৌনবগীদমক ঙসি সেম্পলশিং লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, অহানবগী সেম্পল লৌখিবা অদু সী বি আইগী মায়কৈদগী সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা পীবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না পাঙথোকখ্রবসু সী বি আইগী মায়কৈদগী লৌখিবা ব্লদ সেম্পলশিংগী বোট্টল অসামগী সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদা থারমদবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা অহোবশিং অসি লৈরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মাঙজিল থাবা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমা ওইরিবা সী বি আইনা খরগা হেন্না চেকশিন্না মথৌ পাঙথোকপগা লোয়ননা মীয়াম্না এজেন্সী অসিদগী ফংনীংলিবা অচুম্বা অশেংবশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা থবক পাঙথোক্লম্বা অসি নুংঙাইতে হায়খি।

মরম অসিদগী মমাঙ থাগী ১৭তা হায় কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সন অমদা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না সী বি আইগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা লৌখৎনবগী অরোইবা খুদোংচাবা পীরবনি হায়নসু হায় কোর্টনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

## ‘নো এদ্যুকেসন ৱিদাউথ টিচর’, ‘নো টিচর নো ফ্যুচর’...

*লামায় ১গী মখা...* কেম্পসতা অইবা বেন্নরশিং পায়রদুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। মহৈরোয়শিং অদুনা স্কুল কেম্পস মনুংদা ওজা অৱাৎপা পীবিয়ু হায়দুনা প্রোটেষ্ট চথরম্লবা মতুং হৈরোক কৈথেল ফাওবা লাক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। খোঙচৎ অসিদা মহৈরোয়শিংনা ‘ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তম্বা ফংহনবীয়ু’, ‘ঐখোয়গী অৱাৎপা ওজা অথুবদা হাপ্পীয়ু’, ‘নো এদ্যুকেসন ৱিদাউথ টিচর’, ‘নো টিচর নো ফ্যুচর’ হায়না থাবা প্লে কার্দশিং পায়খি।

ঙসিগী মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী ক্লাস ত্বেলভ তম্লিবা মহৈরোয় অবুজম লেনিননা ফোঙদোরকখিবদা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিদা মহৈরোয় লিশীং ১গী মথক্তা তম্লি অদুবু স্কুল অসিগী ওইনা ওজা ৯০ রোম মথৌ তাবগী মনুংদা হৌজিক শুপ্পতগী ওজা ৪০ রোমদমক লৈরি। অদুগা ওজা ১৬ লোমনা হৌখিবা থা ১/২ অসিদা অতোপ্পা স্কুলশিংদা লৈঙাক্লা ত্রান্সফর তৌবীখ্রগা ঙসি ফাওবা মখোয়গী মহুৎ থাবীরক্ত্রে। মসিগী মথক্তা ওজা ৮ অমনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবসু মখোয়গী মহুৎসু হাপচিনবীরক্ত্রে হায়খি।

স্কুল অসিদা ওজাগী অৱাৎপা লৈরে হায়বসি মরী লৈনবশিংদা কয়ারক হন্না হায়জখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা ওজা অমত্তা থাবীরক্ত্রি। ওজা য়াওদনা মতৌ করম্না ঐখোয় লাইরিক তমগনি। মহৈরোয়শিংগী অৱাৎপা অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

## ‘এম পি পি খক্তনা বোর্দরগী ইস্যু শন্তাইনবা ঙমগনি’...

লামায় ১গী মখা... হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মসিগী নুংদা লৈরিবা হিদন এজেন্দাশিং অসি এম পি পিনা য়াম্না ফজনা খঙই। মরম অদুনা এম পি পি অসি মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। চীং-তম পুন্না চাওখৎনবা এম পি পিনা হোৎনদুনা লাকখি লোয়ননা মখা তানসু হোৎনখিগনি। মরম অদুনা এম পি পিগী মপান্দা লৈখ্রবা মীওইশিং পার্টি অসিদা চঙবিরকউ। পার্টি অসিনা মখোয়বু তাম্থোকখিবা লৈতে। সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বরশিং লাকপীয়ু অদুগা পুন্না ইরমদম মণিপুরগী থৌগল তৌমিন্নসি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মণিপুর পিপল্স পার্টি (এম পি পি) হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না থাজবা পার্টি অমনি। কুমজা ১৯৭২দা মীখল মায়পাক্তুনা টার্ম অহুমলক ফাওবা মীয়ামগী থৌগল তৌখি। মসিনা তাকপদি পার্টি অসি মণিপুর মীয়াম্না নুংশি অমদি থাজৈ হায়বনি। অদুবু লাইবক থীবদি এম পি পি মনুংদা ঙাইহাক লৈতনা মুক্লবা, শাওনবা অমদি খৎনবনচিংবা থোকপনা পার্টি অসিদা য়াওরিবা মীওইশিং অসি করম্বা মীওইশিংনো অমদি মতৌ করম্না অসিগুম্না থোক্লিবনো হায়দুনা খল্লম্বা অদু কোকহন্নবগীদমক এপ্রিল ১৬তা মুক্লবা ময়াম অদু হায়বদি কেস লৈরিবশিং অদু লোয়না শুপচিল্লগা খৎন-চৈনরিবশিং অদু লেপ্পনবা সীঐচমজাইবু ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা খন্দুনা পার্টি অসি রন তৌরি। অদুবু নুমীৎ নীনি হুন্নিগী মমাংদা এম পি পিগী মীওইনি হায়বা মীওই খরনা পার্টি অসিবু লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

এম পি পি পার্টি অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদা এম পি পিগী কনভিনর অমনি হায়দুনা চেথাদোরক্লিবা এস ব্রোজেন হায়রিবা মীওই অসিসু মমাংদা এম পি পিদা মীখল থেংনখিবা মীশক অমনি। করিগুম্বা মহাক্না এম পি পিবু নুংশিবা লৈরগদি অমদি পেন্দবা লৈরবসু পার্টি অসিগী ওফিসতা লাক্তুনা পার্টি অসিগী লৈরিবা মীওইশিংগা ৱা তান্নবিরম্লবদি হেন্না ফজবা হায়বদু ওইরমগদবনি। মণিপুর মীয়াম্না লান্না উনবা হোৎনরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অমুক হন্না তৌবিগনু। মণিপুর মীয়াম্নসু পার্টি অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা মীশকশিং অসি কনানো হায়বদু শোয়দনা খঙলক্কনি। অদুবু লৈবাক মীয়াম্না থাজবা পার্টি অমা ওইরিবা পার্টি অসি মপান্দা লৈখ্রবা হান্নগী এম পি পিগী মীওইশিংসু চঙবিরকউ অমদি ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা মণিপুরদা লৈরিবা ইস্যু ময়াম অসি কোক্লবা হোৎনমিন্নসি। মীফম অদুদা এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট (এদমিনেষ্ট্রেসন) কোন্থৌজম কৃষ্ণচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

## রিমসতা ‘ডা. কমল হোল অমসুং ন্যু ফেকলটি ...

*লামায় ১গী মখা...*অদু মপূং ফানা ফোঙদোকপা ঙমগনি। অমরোমদা মমা মপা ওইবশিংনসু অঙাংশিংদা হ্যুমেন ভেল্যু খঙননবা তন্নীগদবনি। ঐখোয়না অচৌবা থবক অমা তৌরবসু ঐখোয় মপূং ফাবা মী অমা ওইরব্রা হায়বা খঙদোকপা চঙই হায়খি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ডাক্টর আর কে লেনিননা মীওইবনা হরাও নুংঙাইনা হিংনবগীদমক মেন্টেল হেল্থ অসি মপূং ফানা য়োকখৎপা চঙই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদু রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা থৌরম মপু ওইখিবগা লোয়ননা ভেটরান সিঙ্গর অমসুং ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি চোংথাম কমলা, রিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. এন সঞ্জিৎনচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

## মফম অনীদা বোম থন্নম্লে...

*লামায় ১গী মখা...*অহুমশুবা থৌদোক্লা চীংঙামখা মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী ওফিস মমাঙদা থোকখিবনি। ওফিস অসিগী মমাঙমক্তদা দিজিটেল টাইমর শীজিন্নদুনা পোকখায়হনগদবা আই ঈ দি অমা প্লান্ট তৌরম্বনি হায়রি।

মফম অসিদা মপাঙ্গল কল্লবা আই ঈ দি অমা প্লান্ট তৌরে হায়বগী পাউ ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১৬কী কোর্পোরেটর ওইরম্বা থোকচোম ওংবী ইলিজাগী টেলিফোনদা ৱাটসএপ মেসেজ ওইনা থাজিল্লক্তুনা বোম অসি থম্লে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি।

পাউ অসিদগী ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা বোম অসিগী খোঙ্গুল লীরকপদা ৱার্দ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী ওফিস মমাঙদা লৈরম্বদগী পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা পুলিসকী বোম দিস্পোজেল পর্সনেলশিং লাক্লগা বোম অদু মফম অদুদগী লৌথোকপদা খুদোংচাদবা লৈবদগী বোম প্লান্ট তৌরম্লিবা অদুগী অকোয়বদা লৈবাক হাপ্পা সিমেন্ট বেগশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্লগা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৪৯ রোম তারকপদা মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখিবনি হায়রি।

বোম অদু কনানা করি মরমগীদমক প্লান্ট তৌরম্লিবনো হায়বগী ৱাফম থৌদোক অদুগী মায়োক্তা ঙসি চীংঙামখা মৈস্নাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবদা নত্তনা ৱার্দ নম্বর ১৬কী কোর্পোরেটর ওইরম্বী থোকচোম ওংবী ইলিজানসু থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মীদিয়াদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকফমদা মাহুদ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, দি জি পি, পি দোঙেল অমসুং এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং লাক্তুনা য়েংশিনখি।

## অবোনমাই মীশিদা চেন্নবশিং...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা চেন্নবা মীওইশিং লৈঙাক্লা খুদক্তা ফাগদবনি। লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিং ফাদ্রিবা ফাওবা জে এ সীগী মায়কৈদগী হৌজিক জেনিমসকী মোর্গতা থম্লক্লিবা মহাক্কী হকচাং লৌদুনা মথৌ মঙম পাঙথোক্লোই হায়রি।

লৈখিদ্রবগী হকচাংদা শোকপগী মফমশিং লৈরম্বগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা হৈঙাং পুলিসনা মীওই অনী কৌখৎতুনা ৱাহং পাউহং চথবগী থবক লৈখ্রবনি হায়রি।

## এক্সিদেন্টদা ৩ শিরে ৪ শোক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*অপোকপা পি ইবোমচানি। শোক্লবশিংনা ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দগী নোংথোম্বম বোইচা (২৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন ইনাও, চিংনুংকোক্তগী ওক্রম বিসোন (২০) অপোকপা ও থম্বৌ, লাঙ্গোল হাওজিং কমপ্লেক্সতগী থোকচোম লনথোই (২১) অপোকপা টি ঐচ কলা অমসুং ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দগী য়ুরেম্বম রোহিট (৩১) অপোকপা ৱাই নিংথৌনি হায়রি।

থৌদোক অসি ক্বাকৈথেল তম্না থৌগৎলকপা গাড়ী অসিনা শঙাইপ্রৌ ক্রোসিংদগী থৌদোরকপা অতোপ্পা স্বিফ্ট কার অমদা থোন্নম্লবা মতুং মেদিয়নদা অমুক য়ৈশিনবদগী গাড়ী অসিগী মমাঙ থংবা শরুকশিং শাথীনা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি হায়রি।

শোক্লবশিং শিজ হোস্পিটাল, রাজ মেদিসিটি অমসুং রিমসতা লায়কন্নরি। খুদোংথীবা মায়োক্লরবা গাড়ী অসিগী পাইথোকখিবা টায়র অমা ক্বাকৈথেল এরিয়াদগী ফংখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লম্ফেল পি এসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী হকচাংশিং রিমসকী মোর্চুৱারীদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখ্রে হায়রি।

## ৱর্ল্ড ফিসিওথেরাপি দে, ২০২২...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম অসিদা মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, ফিসিওথেরাপিনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ফিসিওথেরাপিষ্টশিংনা ষ্ট্রোক তৌবা খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকা মরী লৈনবশিংগী লমদসু অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি। অসুক মরূ ওইবা থৌদাং লৌরিবা শিনফম অসিদা থবক তৌরিবশিংগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরে হায়বসি নুংঙাইতে, অথুবা মতমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌবা য়াবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. লোংজম রোবিন্দ্রোনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ফিসিওথেরাপি হায়বা প্রোফেসন অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোক্লরিবা থৌরম অসিনা মখোয়বু তৌবীমল খঙবা উৎলিবনি। মণিপুরদা ফিসিওথেরাপিষ্টশিংগী তোঙানবা কাউন্সিল অমা লৈতবনা শিনফম অসিদা লৈরিবশিং অহেনবা দিগ্রী পায়রবসু পে স্কেল হেনগৎতবনচিংবা প্রোব্লেমশিং মায়োক্লরি হায়খি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মতাই রিহেবিলিটেসন ক্যের সেন্টর, দাইগ্নোসদ্ ইন্সত্রুমেন্ট ললাম্বুং, মেদিলেন, অপূনবা এজেন্সী, বাইও মেদিকেল এঞ্জিনিয়রিং সর্ভিসেস অমসুং এসোসিএসনগী ষ্টোলশিং হাংদুনা ফিসিওথেরাপিগা মরী লৈনবা লায়েংশিংগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না ৱাখল তাহন্নবা হোৎনখি।

থৌরম অসিদা হেল্থ দিরেক্টর ডা. সসিকুমার মঙাং, কৈরাও অমসুং লমলাইগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর অমদি কে ঐচ ইবোমচাসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌরম অসিমক ইন্দিয়ন এসোসিএসন ফোর ফিসিওথেরাপি ৱিমেন সেল, মণিপুর ষ্টেট অমদি সম্বরধিনি ন্যাস, মণিপুর প্রান্ট (এস এন এম পি) নসু শীন্দুনা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা য়াইস্কুল ৱিমেন্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি লৈমপোকপম শান্তিবলা, ষ্টেট কোওর্দিনেটর, আই এ পি দব্লিয়ু সী মণিপুর ষ্টেটসু ওইরিবা হেল্থ দিভিজন (ফিসিওথেরাপি) এস এন এম টিগী লিদর ডা. অঙোম রিতা, এস এন এম টি অসিগী কো কনভিনর ইন চার্জ অমসুং ত্রেনিং অমদি এমপ্লোইমেন্টকী লিদর এ উমারানি, এস এন এম পিগী এগ্রিকলচর দিভিজনগী ইন চার্জ লিদর কে রোমাবতি, হোর্টিকলচর দিভিজনগী লিদর এন জয়মতিনচিংবনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদু ওষ্টিওঅরথ্রাইটিস অমসুং প্লাষ্টিক মুক্ত ভারত হায়বা থিম অসিদা পাঙথোকখিবনি।

## মীশি মীনা থোকপা য়াবা খোঙজংশিং...

*লামায় ১গী মখা...* মীয়ামদা অয়েৎপা অমত্তা পীদনা খোঙজং চঙশিল্লি।

অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা খোঙজং অসিবু মীরাইরবদি হৌরক্লিবা তুংগী মীরোল ওইরক্কদৌরিবা নহাশিংনা খুন্নাই অসিগীদমক খল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুবু মীশি মীনা য়াওরকপা য়াবা খোঙজংশিং চঙশিন্দনবা অহল ওইরবশিংনা নহাশিংবু শাউদনবা পুক্লিং ফাথদুনা থম্লি। কয়াম কুইনা মখোয়বু ঐখোয়না কন্ত্রোল তৌদুনা থম্বা ঙমগদৌরবনো হায়বা খঙদে। পেন্দবনা হেল্লক্লবদি মখোয়সু অকিবা পুম্বা থাদোক্লম্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়বসি ঙসিগী লৈঙাক্লা খঙবীগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা তুংদা থোক্লক্কদবা পামদবা থৌদোকশিং অদুগী য়েংলগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এস টি দি সী এমনা তাল্লিবা দিমান্দ অসিগী মতাংদা ৱাখল মুন্না খন্থবীরগা অমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী অমা ওইরিবা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপপু কলহৌনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

## ‘খোল্লাও দেবেন’ লৈখিদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*পাউমী ওইবদা নত্তনা মহাক কৈশামথোং লোকল কাউন্সিল সী পি আইগী সেক্রেটরি ওইরম্বদা নত্তনা ষ্টেট কাউন্সিল্লর ওইনসু থবক তৌরম্মী। মহাক্না লৈখিদবদা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা সী পি আইগী ওইনা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা ওইহৌরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মশা নারবা ফাওবদা পার্টিগী থৌদাং য়ারম্বা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী ৩ লৈহৌরি। লৈখিদ্রবগী ইমুংগী অৱাবদসু পার্টিগী মায়কৈদগী শরুক য়াজরি হায়রি। মহাক মশাগী চহী ৭৫ শুখ্রে।

অমরোমদা, মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অদুঙৈ কুমজা ১৯৭০ অদুৱাইদগী হৌরক্তুনা চহী ৪০ রোম তোঙান তোঙানবা পাউমীগী শিনফমদা পাউচেশিংদা থবক তৌরমখিবা মীওইনি হায়রি।

মহাক্কী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মীদিয়া ফ্রেটর্নিটিগীদমক চোকথবা লৈতনা থবক তৌরম্মী হায়রদুনা মহাক লৈখিদবা অসি মণিপুরগী মপুকচেল শেংবা পাউমী অমা মাঙজরবনি হায়রদুনা মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

## আই এম সী, ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং নগর...

*লামায় ১গী মখা...* হৈরোক্লা ওইগনি। ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা ককচীংগী এস দি ও অমসুং এস দি সীনা ওইগনি। শুগনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা ঈ আর ও/আর ওনা ৱাইখোংগী এস দি ওনা ওইরগা এ ঈ আর ও/এ আর ওনা এস দি সী ৱাইখোংনা ওইগনি।

হায়রিবা ঈ আর ও/আর ও অমদি এ ঈ আর ও/এ আর ওশিং মথং মনাও নাইনা ওইগদবশিংনা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা নম্বোলগী এস দি ও অমসুং এস দি সী, ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা নম্বোলগী এস দি ও অমসুং ওইনামগী এস দি সী, বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা বিষ্ণুপুরগী এস দি ও অমসুং এস দি সী, নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা বিষ্ণুপুরগী এস দি ও অমসুং এস দি সী, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা মোইরাংগী এস দি ও অমসুং এস দি সী, ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা মোইরাংগী এস দি ও অমসুং এস দি সী, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা মোইরাংগী এস দি ও অমসুং কুম্বীগী এস দি সী, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা জিরিবামগী এস দি ও অমসুং এস দি সীনা ওইগনি হায়রি।

অদুগা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরগী মায়কৈদগী ঙসি থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমদনা মীখল পাঙথোক্লগদবা আই এম সী য়াওনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিং/নগর পঞ্চায়টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন ওফিসর ওইনা হাপ্লবশিংনা আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১৮, ১৯, ২০, ২১, ২২, ২৩ অমসুং ২৬, অন্দ্রো ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯, ১০, ১১, ১২, ১৩, ১৪, ১৫, ১৬, ১৭, ২৪, ২৫ অমসুং ২৭ য়াওনা ময়াংইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লিলোং (ইম্ফাল ৱেষ্ট) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, থোংখোং লক্সমি বজার ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, সেকমাই নগর পঞ্চায়ট অমসুং লমশাং নগর পঞ্চায়টকীনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, সিখোং সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, হৈরোক নগর পঞ্চায়ট, ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লিলোং (থৌবাল) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবাল, ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং শুগনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর, ককচীং, নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর (বিষ্ণুপুর) অমসুং জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী দিষ্ট্রিক্ট ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন ওফিসরনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ওইরগনি হায়রি।

লোয়ননা পাঙথোক্লগদবা আই এম সী য়াওনা নগর পঞ্চায়ট/ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী ইলেক্সন অসিগীদমক থা অসিগী ১২ ফাওবদা মরী লৈনবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা লৈবা ইলেক্টোরেল রোলদা য়ূম্ফম ওইরিবা প্রিলিমিনরি ইলেক্টোরেল রোলনা থা অসিগী ১২দা ফোঙগনি। ইলেক্টোরেল রোল অসিদা ক্লেম অমদি ওবজেক্সননচিংবা তৌরকপা য়াবগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ১৯ ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এম সী অমদি অর্বান লোকল বোদিশিংগী মীখল অসিগীদমক অরোইবা ইলেক্টোরেল রোল ফোঙবগী থবক্লা থা অসিগী ২৩দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

### ঢ়াগ্লেংবে/শমজেৎশাবম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা সেপ্টেম্বরগী তাং ১১, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৭.৩০দা শাগৈগী য়েক সলাইগী মতেংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা থাংমৈবন্দ লাইজিং নিংথৌ লাইবুংগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকচরগনি। মসিদা শমজেৎশাবম শাগৈচাশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়না পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা :- সেক্রেটরি, শমজেৎশাবম শাগৈ
HL-P/4021/9
8730940353, 7005166343